


# সনালৈবাক স্পোর্টস



IMPHAL, SATURDAY, APRIL 21, 2018 **PAGE 7**


*কুমজা ২০১৮গী ইন্দিয়ান প্রেমিয়র লীগ টি০-২০ ক্রিকেট টুর্নামেন্টকী অহানবা ওইনা বোল ৫৮ দা রন ১০০ হেন্না লৌদুনা কিংস এলভেন পঞ্জাবপু মায় পাকহনখিবা ৱেষ্ট ইন্দিজ মচা খ্রিস গেল*

*মমাঙদা ইংলেন্দগী টেষ্ট ক্রিকেটকী বেটসমেন অমা ওইনা মতম শাংনা শরুক য়ারম্লবা মতুং ইংলেন্দ অমসুং ৱেল্স ক্রিকেট বোর্দনা ইংলেন্দগী অনৌবা নেসনেল সেলেক্তরগী ফম পীখ্রবা এদ স্মিথ*

## কম্মনৱেল্ঠ গেমসতা অহানবা ওইনা ইন্দিয়াগী নুপীগী টেবল টেন্নিসকী সিঙ্গলস অমসুং টিমগী গোল্ডগা লোয়ননা ইভেন্ট ২ দসু সিলভর অমসুং ব্রোঞ্জ ফংখিবী মনিকা বত্র আর্জুনা এৱার্দকী রিকমেন্দ তৌখ্রে



*ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ২০ঃ*

হন্দক্তা ওষ্ট্রেলিয়ানা য়ুম্বু ওইরগা লৈবাক অদুগী সিটি গোল্ড কোষ্টতা লোইশিনখিবা ২১শুবা কম্মনৱেল্ঠ গেমসতা ইন্দিয়াগী টেবল টেন্নিসকী দিসিপ্লিনদা শরুক য়াখিবী মনিকা বত্রনা নুপীগী সিঙ্গলসকী গোল্ড মেডল ফংবগা লোয়ননা টিমগী গোল্ড ফংখিবদসু শরুক য়াখ্রবা মতুং নুপীগী দবলসতা সিলভর মেডল অমদি মিক্স দবলসতা ব্রোঞ্জ ফংদুনা মেডল ৪ ফংখ্রবা মতুং টেবল টেন্নিস ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়ানা চহী অসিগী আর্জুনা এৱার্দকী খনগৎপদা মনিক বত্রগী মমিং থাগৎখি।

টেবল টেন্নিস ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী ওফিসিয়েল অমনা ফোঙদোরকপগী মতুংইন্না কম্মনৱেল্ঠ গেমসতা মেডল ৪ ফংবা ইন্দিয়াগী অহানবা শান্নরোই ওইরিবী মনিকা বত্রগী মমিং আর্জুনা এৱার্দগী রিকমেন্দেসন পীবদা খ্বাইদগী থাক ৱাংনা লৈদুনা মহাক্কী মমিং য়াওবনি।

ওষ্ট্রেলিয়াগী গোল্ড কোষ্ট সিটিদা হন্দক্তা লোইশিনখিবা ২১শুবা কম্মনৱেল্ঠ গেমসকী টেবল টেন্নিস দিসিপ্লিনগী টিমগী ঙন্না শান্নখিবা কম্পিটিসনদা ইনি দয়ানা গোল্ড মেডল ফংখিবা অদুদা মনিকা বত্রগী অচৌবা থৌদাং লৈখি।

টিমগী গোল্ড মেডল ফংলবা মতুং গেমস অদুগী ওইনা টেবল টেন্নিস দিসিপ্লিনদা মখা তাবা নুপীগী সিঙ্গলস, দবলস অমসুং মিক্স দবলসকী গোল্ড মেডলগী ইভেন্ট অহুম লৈখিবা অদুদা মনিকা বত্রনা য়াম্না ফজবা পার্ফোমেন্স উৎপা ঙমদুনা সিঙ্গলসতা গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখি।

মশাগী চহী ২২ দা ঙাইরিবী মনিকা বত্রনা মালেমগী নুপীগী টেবল টেন্নিসকী সিঙ্গলসকী মরিশুবা থাক্তা লৈরিবী সিঙ্গাপোরগী শান্নরোই ফেং টিয়ানৱৈবু কম্মনৱেল্ঠ গেমস অদুদা অনীরক মায়থিবা পীদুনা গোল্ড মেডল ফংখি।

টিমগী গোল্ড মেডলগী মেটচতা মনিকা বত্রনা সিঙ্গাপোরগী ফেং টিয়ানৱৈবু মায়থিবা পীখি। মদুগী মতুং সিঙ্গলসকী ফাইনেলদসু বত্রনা ৱার্ল্ড নম্বর ৱান ফোর শান্নরোই অদুনা মায়থিবা পীদুনা গোল্ড মেডল ২ ফংখিবনি।

মনিকা বত্রনা নুপীগী দবলসকী ফাইনেল য়ৌদুনা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা শান্নরোই মোমা দাসকা শান্নমিন্নদুনা সিলভর মেডল ফংবা ঙমখি। অদুগা মিক্স দবলসকী সেমি ফাইনেলদা মায়থিরবা মতুং মহাক্কী পেয়র ওইখিবা ইন্দিয়াগী নুপাগী শান্নরোই জি সাথিয়াননা ব্রোঞ্জ মেডলগী মেটচ অদু মায় পাক্তুনা গোল্ড কোষ্ট কম্মনৱেল্ঠ গেমসতা গোল্ড মেডল ২ লোয়ননা সিলভর অমসুং ব্রোঞ্জ ১ ফংলগা পুন্না মেডল ৪ ফংবা ইন্দিয়াগী অমত্তা ঙাইরবা শান্নরোই ওইখি।

মনিকা বত্রগী পার্ফোমেন্স অদুদা টেবল টেন্নিস ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়ানা চহী খুদিংগী লৈবাক অসিগী তোঙান-তোঙানবা দিসিপ্লিনশিংগী খ্বাইদগী ফজবা শান্নরোই খনগৎতুনা পীবা মনা ওইরিবা আর্জুনা এৱার্দকীদমক মহাক্কী মমিং থাগৎপনি। বত্রগী মমিং স্পোর্টস মিনিষ্ট্রিনা আর্জুনা এৱার্দ পীবগী মতাংদা ককথরক্কনি হায়বগী চিংনবা অমত্তা লৈতে হায়না ওফিসিয়েল অসিনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

চহী নৌরিবী মনিকা বত্রনা অহানবা ওইনা কম্মনৱেল্ঠ গেমসকী পুৱারীদা ইন্দিয়াগী নুপীগী টেবল টেন্নিস দিসিপ্লিনদা অহানবা শান্নরোই ওইনা গোল্ড মেডল ফংখ্রবা মতুং মহাক্কী মখা তাবা কেরিয়রগী খ্বাইদগী নৌনা শরুক য়াগদৌরিবা কম্পিটিসন অদু চৎলিবা থা অসিগী ২৯ দা স্বিদেনদা পাঙথোক্কদৌরিবা ৱার্ল্ড টিম টেবল টেন্নিস চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৮ দা শরুক য়াবা অদুনা ওইগদৌরি।

## ইন্দিয়ানা য়ুম্বু ওইদুনা মুম্বাইদা লৈবা মুম্বাই ফুটবোল এরেনাদা ইন্টরকোন্টিনেন্টেল কপ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮ পাঙথোক্লগনি

*মুম্বাই, এপ্রিল ২০ঃ*

সাউথ অফ্রিকা, ন্যু জিলেন্দ অমদি চাইনিজ তাইপৈ য়াওবা ইন্টরকোন্টিনেন্টেল কপ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮ কী য়ুম্বু ওইদুনা ইন্দিয়ানা লৈবাক ৩ অসিগা মহারাষ্ট্র ষ্টেটকী কোনুং মুম্বাইদা লৈবা মুম্বাই ফুটবোল এরেনাদা শান্নগদৌরি।

লৈবাক ৪না শান্নগদবা ইন্টরকোন্টিনেন্টেল কপ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসি চহী অসিগী জুন ১ দগী ১০ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরি। অহানবা ওইনা টুর্নামেন্ট অসিদা ইন্দিয়াগী ফুটবোল টিম্না ফিফাগী ৱার্ল্ড রেঙ্কিংদা লৈরিবা সাউথ অফ্রিকা য়াওবা টুর্নামেন্ট অদুদা মখোয়দগী হন্থরিবা চাইনিজ তাইপৈ অমসুং ন্যু জিলেন্দগা লম্বা তৌনগদৌরিবনি।

সাউথ অফ্রিকা ফিফা রেঙ্কিং দা ৭২শুবা পোজিসনদা লৈরি, য়ুম্বু ইন্দিয়া ৯৭শুবা পোজিসনদা লৈবা ঙন্নি অদুগা চাইনিজ তাইপৈনা পোজিসন ১২১ দা লৈরগা ন্যু জিলেন্দনা ১৩৩ শুবা পোজিসনদা লৈরিবনি।

লৈবাক ৪ গী কম্পিটিসন অদুদা টিমশিংনা মেটচ অমমম শান্নবদা মকোক থোংবা টিম অনীনা ফাইনেল লম্বা তৌগদৌরি। টুর্নামেন্ট অসি ইনি দয়ানা য়ুম্বু ওইরকপা অসি হন্দক্কী অসিনা অহানবনি। অদুবু ইন্টরকোন্টিনেন্টেল কপ অসিগী চহী ৮ গী মনুংদা অনীরকশুবা ওইনা ক্বালিফাই ওইবা ঙম্লি। অদুবু ইন্দিয়াগী ফুটবোলগী পুৱারীদা ইন্টরকোন্টিনেন্টেল কপ অসিগী ক্বালিফাই ওইরকখিবা হন্দক্কী অসিনা মরিরকশুবনি। ইনি দয়ানা ইকোন কোন্না ক্বালিফাই ওইখিবা চহী অদু কুমজা ২০১১ দনি।

মুম্বাইদা পাঙথোক্কদৌরিবা লৈবাক ৪ গী ইন্টরকোন্টিনেন্টেল কপ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিনা কুমজা ২০১৯ দা পাঙথোক্কদৌরিবা এএফসি এসিয়ান কপকী শেম শাবা ওইনা য়াম্না মরুওইবা কম্পিটিসন অমা ওইগদৌরি।

## জপানগী নিসিকোরি, স্পেনগী নদাল অমসুং বলগেরিয়াগী দিমিত্রোভ মোন্টে কার্লোগী সিঙ্গলস সেমি ফাইনেল চঙখ্রে, বোপানা অমসুং ভেসেলিনগী পেয়রসু সেমি ফাইনেল য়ৌখ্রে



*মোন্টে কার্লো টেন্নিসকী নুপাগী সিঙ্গলস সেমি ফাইনেল য়ৌখ্রবা বলগেরিয়াগী দমিত্রোভ (ওই) অমদি জপানগী নিসিকোরি*

*মোনাকো, এপ্রিল ২০ঃ*

জপানগী শান্নরোই কৈ নিসিকোরি, স্পেনগী রাফেল নদাল, বলগেরিয়াগী গ্রিগোর দিমিত্রোভ, দবলসকীদা ইন্দিয়াগী রোহন বোপানা অমসুং ফ্রান্সকী রোজর ভেসেলিন সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

ঙসি অথেংবদা শান্নখিবা মোন্টে কার্লো রোলেক্স মাষ্টর্স টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপাগী সিঙ্গলসকী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা টুর্নামেন্ট অসিগী ২শুবা সিদেদ শান্নরোই ক্রোএসিয়াগী মারিন সিলিকপু জপানগী কৈ নিসিকোরিনা সেট ৩ চঙনা শান্নবদা মায় পাক্তুনা সেমি ফাইনেল য়ৌখি।

নিসিকোরিনা অহানবা সেট অদু ৬-৪ দা থোইখি। অদুবু অনীশুবা সেটকী টাই ব্রেক শান্নবদা সিলিকনা নিসিকোরিবু ৭-১ দা থোইরগা দিসাইদিং সেট শান্নবদা জপানগী মতম শাংনা শোকপদগী শান্নবা লেপ্পুরবা নিসিকোরিনা সিলিকপু ৬-৩ দা থোইদুনা সেমি ফাইনেলদা জর্মনিগী আলেকজেন্দর জ্বেরেভ অমদি ফ্রান্সকী রিচার্দ গাস্কি অনীগী অথোইবগা লম্বা তৌনরগনি।

নুপাগী সিঙ্গলসকী ৱার্ল্ড নম্বর ৱান ওইবদা নত্তনা টুর্নামেন্ট অসিগীসু অহানবা সিদেদ ওইরিবা স্পেনগী রাফেল নদালনা মহাক্কী ক্বার্টর ফাইনেলদা ঙসি ওষ্ট্রিয়াগী দোমিনিক থিয়েমসু ৬-০, ৬-২ দা থোইদুনা সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

মহাক্কা সেমি ফাইনেলদা লম্বা তৌগদৌরিবা শান্নরোই অদু বেলজিয়মগী দেবিদ গোফিনবু ৬-৪, ৭-৬(৭-৫) দা থোইরম্বা টুর্নামেন্ট অসিগী ৪শুবা সিদেদ শান্নরোই বলগেরিয়াগী গ্রিগোর দিমিত্রোভনি।

মোন্টে কার্লো মাষ্টর্স টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী দবলসকী কাঙলুপ্তা সিদিং ফংদনা শরুক য়ারকখিবা ইন্দিয়াগী রোহন বোপানা অমসুং ফ্রান্সকী ই রোজর ভেসেলিননা কলম্ব্রিয়াগী পেয়র জেএস কবাল অমদি আর ফারাবু ষ্ট্রেট সেট অনীদা ৬-৪, ৬-৪ দা মায়থিবা পীদুনা সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

বোপানা অমসুং ভেসেলিননা সেমি ফাইনেল লম্বা তৌগদৌরিবা পেয়র অদু টুর্নামেন্ট অসিগী ৩শুবা সিদেদ পেয়র ওইরিবা ক্রোএসিয়াগী এম পাভিস অমদি ওষ্ট্রিয়াগী ও মারাকনা মখোয়গী ক্বার্টর ফাইনেল লম্বা ওইখিবা বেলজিয়মগী দেবিদ গোফিন অমদি বলগেরিয়াগী গ্রিগোর দিমিত্রোভ লাকখিদবদগী ৱাল্ক ওভর ফংখিবনি।

নুপাগী দবলসকী টুর্নামেন্ট অসিদা ৪শুবা সিদেদ পেয়র ওইখিবা য়ুএসএগী মালেমগী মমিং লৈরবা ব্রাইন ফাইবোক বোব অমসুং মাইক ব্রাইননা ঙসি শান্নখিবা মখোয়গী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা স্পেনগী মার্কস গ্রানোল্লর্স অমদি উরুগ্বেগী পাব্লো কিভাসকা অকনবা লম্বা থেংনবদা সেট ২-১ দা মায় পাকখি।

অহানবা সেট য়ুএসএগী ব্রাইন ফাইবোক্না টাই ব্রেক্তা ৭-৫ দা থোইখি। অনীশুবা সেট অদুনা কিভাস অমসুং গ্রানোল্লর্সনা টাই ব্রেক্তা ৭-৫ দা থোইরগা দিসাইদিং সেট অদুদা য়ুএসকী ব্রাইন ফাইবোক্না ১০-৫ দা থোইদুনা সেমি ফাইনেল য়ৌখি।

ব্রাইন ফাইবোক্না সেমি ফাইনেলদা লম্বা তৌগদৌরিবা পেয়র অদু ইটালিগী সাইমোন বোলেলি অমসুং ফাবিয়ানো ফোগনিনিনি। মখোয়না ক্বার্টর ফাইনেলদা সাউথ অফ্রিকাগী রাবেন ক্লাসেন অমসুং য়ুএসএগী এম ভেনসপু ৭-৬ (১০-৮), ৬-৩ দা মায়থিবা পীরম্বনি।

## ফিফা ৱার্ল্ড কপ ২০১৮, রুসিয়া টিমশিংগী প্রোফাইল -১৮ (পেরু)


### এল. কালা, উরিপোক


মালেমগী খ্বাইদগী ৱাংবা মফম জহাজ চৎপা য়াবা পাৎ অমা হায়বা তারগদি পেরু অমদি বোলিবিয়া অনী কোনশিন্না লৈরিবা লাগো টিটাকা পাৎ মালেমগী মফম কয়াদগী লাকপা লমকোইবশিংগী পূক্লিং চিংশিন্নফম ওইরিবা পাৎনি। পৃথিবীগী অঙকপা তরেৎকী মনুং চনবা কুজকো রিজনগী এনদেস চীংদোলদা মমাঙঙৈদা খুন্দারম্বা সহর মচু পিছু অঙকপনা থল্লবা আরকিটেকচর বিল্ডিংস হৌজিকসু হেরিটেজ সাইদ ওইনা লমকোইবা লাকপশিংনা চিংখবা য়াদবা মফম অমা ওইবগী পেরুনা চাওথোকচরি। মসিদা নৎতনা পেরু লৈবাক অসি থৱাই পানবা জীব মফম য়াম্না লৈবা লৈবাক অমা ওইনসু শিংথানরি। অমেরিকাগী খা নোংচুপ থংবদা লৈবা পেরু লৈবাক অৱাংদা ইক্কেদোর অমসুং কলম্বিয়া নোংপোক্তা ব্রাজিল নোংচুপ্তা পেসিফিক ওসিন, খাদা চিলি অমসুং খা নোংপোক্তা বোলিভিয়া লৈবা অসিগী পাক চাওবা অসি ১,২১৫,২১৫ স্কৱার কিলোমিটর, কোষ্ট লাইন ২৪১৪ কিলোমিটর, মীশিংনা ৩০,১৪৭,৯৩৫, বিলো পোভরটি লাইন ২৫.৮ পার্সেন্ট, লোলনা স্পেনিস, ক্যুচু-তনা অমসুং ঐমার ঙাংনবা, ধর্ম্মনা চাদা ৮০.৯, রোমান কেথোলিক চৎলি, লাইরিক হৈবগী চাংনা ৯২.৯ পার্সেন্ট, লাইফ এক্সপেকটেন্সিনা ৭৩.১৮ পিসি, নিংথা তম্বদি ২৮ জুলাই ১৮২১ দা ফংখি।




মীৎয়েং শান্না উগনবা লমকোইবা পাম্বা, বৃটিসশিংনা ফুটবোল মশান্না পুরক্তুনা মশান্না অসিগীদমক এসোসিয়েসন অমা পেরু লৈবাক্কী ওইনা ওগষ্ট ২৩, ১৯২২ দা কোনুং লিমাদা লিংখৎখি। ১৯২৪ দা পেরু ফুটবোল ফেদরেসন ফিফা এফিলেশন ফংদুনা পেরুদা ফুটবোলগীদমক নেসনেল টিম শেম্বা লোয়ননা ফুটবোল মশান্না হেন্না হেন্না চাওখৎলক্লবগীদমক দাইত্য লৌদুনা অহানবা মীমাঙ থোক্লা শান্নবা ওইনা পেরু নেসনেল টিমগা উরুগ্বেগা নবেম্বর ১ (অমা), ১৯২৭ দা লিমাদা শান্নবদা উরুগ্বেনা ইকোম কোম্না ৪-০ দা থোইদুনা পেরু লৈবাক ফুটবোল মশান্নদা হেন্না হোৎননিংবগী ইথিল পীরমদুনা অহানবা পাঙথোকপা ৱার্ল্ড কপ ১৯৩০ দা মায় পাক্লবা পেরু নেসনেল টিম অমা শরুক য়াবা ঙমখি। মীওইবগী লাইবক্তা তুম্লমদবা হায়বসিসু অঙকপা অমা ওইনা অদুমক লৈতবসু নৎতে, হোৎনবা য়াবা হোৎনরবসু তম্লমদ্রবদি উপাই লৈতবা কয়া থেংনদবা নৎতে মীওইবনা শেম্লিবা খুন্নাইসিদা। পেরু ফুটবোল মশান্না, য়াম্না হৈথোই-শিং থোইনা হোৎনরবসু ফিফা ৱার্ল্ড কপ চাং নাইনা য়াওবা ঙমদে। ফিফা ৱার্ল্ড কপ্তা পেরু লৈবাক্লা খ্বাইদগী ফজবা পার্ফোমেন্স পীবা ঙমখিবদি ১৯৭০, মেক্সিকো ৱার্ল্ড কপ্তা ক্বার্টর ফাইনেল চঙবা ঙমখিবসিনা ওইরি। ১৯৭৮ দা রাউন্দ ওফ সিক্সটিন ফাওবা য়ৌবা ঙমখিবা অসি নৎতনা ৱার্ল্ড কপ ৪ রক শান্নবা অসিদা থোইদোক হেনে দাকপা শান্নবা উৎপা ঙমদনা লাক্লি। অদুবু কোপা অমেরিকা কপ্তি ১৯৩৯ অমসুং ১৯৭৫ তা চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখি অদুগা ২০১৫ দা ৩শুবা তাবা ঙমখি। ১৮৬৭ মতম অদুৱাইদগী ফুটবোল শান্নবা মশান্না অসি য়াম্না পাম্নবা লৈবাক অমা ওইরক্তুনা নুপীগী ওইবা নেসনেল টিম শেমদুনা, অন্দর ২০, অন্দর ১৭ টিম শেমদুনা ৱার্ল্ড কপ য়াওবা ফংবদগী নুংনাংবা লৈরুবা পূম্নমক হন্দক্তি কোক্তুনা ৫রক শুবা ওইনা ফিফা ৱার্ল্ড কপ ২০১৮, রুশিয়া টিকেট ফংলে, ন্যু জিলেন্দবু ২-০ দা মায় পাক্তুনা। মায় পাক্লবা নেসনেল টিম অমা ওইনা ২০১৫ দগী হেদ কোচ ওইনা থৌ পুদুনা হোৎনরকখিবা রিকারদো গেরেকোনা গ্রুপ সিদা ফ্রান্স, ওষ্ট্রেলিয়া অমসুং দেনমার্ক লম্বা পান্ননবগীদমক মহাক্কী শান্নরোইশিংদা ৪-৩-২-১ হায়বা ফোরমেশন শেমদুনা অমুক্তংদি অঙম্বা শক্তি ফুদোক্তুনা ৱার্ল্ড কপ চেম্পিয়ন ওইদুনা হৌজিক ফিফা রেঙ্কিংদা ১১শুবদা লৈরিবসি অহানবদা লৈগে খন্না ঙাইরকপা য়াম্না নকশিল্লক্লবা জুন থা কুইদ্রে হায়নরবসু হয়েংমক হেক ওইহন্নিংলে হায়দুনা গেরেকো অমদি মাগী শান্নরোইশিংনা।

## লা লীগাদা এটলেটিকো মাদ্রিদ রিয়েল সোসাইদেদকী মখূত্তা পাঞ্জল ০-৩ দা মায়থিখিবদগী বার্সেলোনানা টাইটল লৌবগী লম্বেল নকশিনবা হেনখ্রে



*এটলেটিকো মাদ্রিদকী মায়োক্তা রিয়েল সোসাইদেদকী শান্নরোই জুৱানমীনা বোল কাউশিনখিবা*

*মাদ্রিদ, এপ্রিল ২০ঃ*

স্পেনগী ফুটবোল ক্লবশিংগী খ্বাইদগী চাওবা লীগ টুর্নামেন্ট ওইরিবা লা লীগাগী ঙসি অয়ুক অঙনবদা শান্নখিবা ৩৩শুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা লীগ অসিগী পোইন্ট টেবলগী অনীশুবা পোজিসনদা লৈরিবা এটলেটিকো মাদ্রিদ ১১শুবা পোজিসনদা লৈবা রিয়েল সোসাইদেদনা পাঞ্জল ৩-০ দা থোইখিবদগী মকোক থোংলিবা বার্সেলোনাগী টিম টাইটল লৌবগী লম্বেল নকশিনখ্রে।

এটলেটিকো মাদ্রিদ অমসুং রিয়েল সোসাইদেদকী মেটচ অদুগী অহানবা হাল্ফতা টিম অনীগী মায়কৈদগী পুংখায় য়ৌরমদাই ফাওবা লম্বা মান্নখিবা মরম্না পাঞ্জল চন্নবা ঙমখিদে।

২৭শুবা মিনটতা রিয়েল সোসাইদেদকী মায়কৈদগী ৱিলিয়ান জোসেনা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল চনখি। মেটচ অদুগী মাঙওইননা এটলেটিকো মাদ্রিদ পোইন্ট ৭১ ফংদুনা লীগ অদুগী পোইন্ট টেবলদা মাঙজিল থারিবা বার্সেলোনাগী পোইন্ট ৮৩ অদু তানখৎনবগী ৱাখল্লোন্দা শান্নরকপনি। অহানবা হাল্ফ অদুগী মিনট ৪৫ শান্নবা লোইশিনখিবা ফাওবদা এটলেটিকো মাদ্রিদনা মখোয়গী মথক্তা রিয়েল সোসাইদেদনা চনশিল্লকখিবা পাঞ্জল অদু হনে দাকপা ঙমদনা লৈখি।

অনীশুবা হাল্ফকী অয়াম্বা মতম এটলেটিকো মাদ্রিদকী মায়কৈদগী ইক্কেলাইজর ফংনবা য়াম্না কন্না হোৎনরকখি। মখোয়গী হোৎনখিবা অদু পাঞ্জল ওন্থোকপা ঙমদ্রিঙৈ শান্নবগী ৮০শুবা মিনটতা মেটচ অদুদা পাঞ্জল অমা মাঙজিল থাদুনা লৈরিবা রিয়েল সোসাইদেদকী জুৱানমীনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা লীগ টেবলদা অনীশুবা পোজিসনদা লৈরিবা এটলেটিকো মাদ্রিদপু পাঞ্জল ২-০ দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি।

মায়থিবগী লম্দেল নকশিল্লক্লবা এটলেটিকো মাদ্রিদ উপায় লৈখিদে। মখোয়না হোৎনখিবা খুদিংমক অরেম্বা তাদুনা লৈরিঙৈ রিয়েল সোসাইদেদকী জুৱানমীনা শান্নবগী ৯০শুবা মিনটতা টিম অদুগী অহুমশুবা পাঞ্জল অদু হাপচিল্লগা এটলেটিকো মাদ্রিদপু পাঞ্জল ৩-০ দা মায়থিবা পীদুনা লা লীগাগী পোইন্ট টেবলদা হান্না ১৩শুবা পোজিসনদা লৈরম্বদগী ১১শুবা পোজিসনদা হাইগৎপা ঙমখি।

অমরোমদা পাঞ্জল ০-৩ দা মায়থিরবা এটলেটিকো মাদ্রিদ পোইন্ট ৭১ ফংদুনা অনীশুবা পোজিসনদা লৈখিবা অদু হাইগৎপা ঙমদনা অদুমক লৈরি। মরমদি মখোয়দগী মকোক থোংলিবা বার্সেলোনানা পোইন্ট ১২ হেন্দুনা পোইন্ট ৮৩ দা লৈরিবনি।


অতোপ্পা পাও অমদা ইংলিস প্রেমিয়র লীগকী মমাঙদা টাইটল লৌবা ঙমখ্রবা চেলসি ফুটবোল ক্লবনা ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা ৩৪শুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা বুর্নলে ফুটবোল ক্লবপু পাঞ্জল ২-১ দা থোইদুনা ৫শুবা পোজিসনদা অদুমক লেঙদনা লৈরি।

মেটচ অদুগী অহানবা হাল্ফকী ২০শুবা মিনটতা চেলসিগী এটেক অমদা বুর্নলেগী দিফেন্দর কেবিন লোংনা শোয়বদগী কাউশিনজখিবা বোল অমা পাঞ্জল ওইদুনা চেলসিনা ১-০ দা মাঙজিল থাখি।

শোয়বদগী চনখিবা পাঞ্জল অদু হন্দোক্লবা হোৎনদা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখ্রবসু বুর্নলেগী এসলি বার্ন্সনা মেটচকী ৬৪শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমা চন্দুনা মেটচ অদু মান্নহনবা ঙমখি।

বুর্নলেগী টিম ইংলিস প্রেমিয়ী লীগকী পোইন্ট টেবলদা মেটচ ৩৩ শান্নখিবদা পোইন্ট ৫২ ফংদুনা ৭শুবা পোজিসনদা লৈখিবনি।

করিগুম্বা মখোয়না ৬শুবা পোজিসনদা লৈরিবা আর্সনেলদগী পোইন্ট ২ খক খেন্নবা মরম্না মায় পাক্তুনা আর্সনেলগী ৬শুবা পোজিসন অদু মুন্নবা হোৎনরকপনি। ইক্কেলাইজরগী মতুং শান্নবগী ৬৯শুবা মিনটতা চেলসিগী মোজেসনা পাঞ্জল অমা চল্লগা মেটচ অদু ২-১ দা থোইখি।



*বুর্নলেগা শান্নবদা অরোইবা পাঞ্জল চনখিবা চেলসিগী মোজেস*